# মণিপুরগী শেনবা চহী ২০১২-১৩ গী প্লানগী শেনফম লুপা ক্রোড় ৩,৫০০ দা লেপখ্রে

## ষ্টেট সরকারনা আশা তৌরম্বা  প্লানকী শেনফমদগী লুপা ক্রোর ১৩০০ হঙ্গরক্লে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুন ৬ঃ*** ঙসি নিউ দিল্লিগী য়োজনা ভবনদা প্লান্নিং কম্মিসনগী দিপ্যুটি চেয়ারমেন, মোন্টেক সিংহ অহলুৱালিয়া অমসুং মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী সিংহ অনি পুন্না পাঙথোকমিন্নখিবা মিটিং অমদা ষ্টেট অসিগী শেনবা চহি ২০১২-১৩ গী প্লানগী শেনফম লুপা ক্রোড়’ ৩,৫০০ দা লেপখ্রে। ষ্টেট সরকারগী মায়কৈদগী চৎলিবা চহি ২০১২-১৩ গী এন্যুয়েল প্লানকী শেনফম অসি লুপা ক্রোর ৪৮০০দা লেপ্লীনবা সেন্টরদা তকশিন্নবা মমাংগী কেবিনেট মীফমনা ৱারেপ লৌখিবনি।

মিটিং অদুদা মোন্টেক সিংহ অহলুৱালিয়ানা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অসি মথৌ য়াম্না নিংথিনা পাঙথোক্লি, অদুবু ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎপা ৱাৎপগী চাউরবা অহোবা অমা লৈরিবা অসিদি খ্বাইদগী হেন্না অকনবা মীৎয়েং চঙশিন্দুনা মেনশিনবা মথৌ তারি হায়না ফোঙদোকখ্রে। ষ্টেট অসিনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা প্রাইভেট কোর্পোরেট বোদিনচিংবা লন্নাইগী কম্পেনিশিংবু শরুক য়াহনবা চুমগনি। হৌজিক ওইরিবা শেলগী ভেল্যুদা ষ্টেট অসিগী গ্রোস ষ্টেট দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি এস দি পি) অসি ইং ২০০৪-০৫ দা লুপা ক্রোড় ৫,১৩৩.৬৬ ওইরম্বদগী ইং ২০১০-১১ দা লুপা ক্রোড় ৭,১৮৪.০৯ দা হেনগৎলক্লে হায়নশু মহাক্না মখা তাখি।

ইং ২০০০-২০০৯ গী অনৌবা এনালাইসিস অমদা ষ্টেট অসিগী ইকোনোমিগী তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংদা থোং মান্নদবা চাওখৎপগী মশক অমা উৎখ্রে। মণিপুরদা ইলেক্ট্রিসিটি, গ্যাস, মীয়ামদা থক্নবা ঈশিং ফংহনবা অমসুং পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসনগী থবক হায়রিবশিং অসি য়াম্না শোত্থনা লৈরি। অদুবু ঙা য়োকপা, রেজিষ্টর তৌদনা পোৎ-চৈ শাবা, ত্রান্সপোর্ট, গোদাউন থম্বা অমসুং লন্মী-থোংগী ফিভমদি চাওখৎলে হায়না মণিপুর ইনফোর্মেসন সেন্টরনা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়রি, ষ্টেট অসিগী এদুকেসন অমসুং হকশেল অনি অসি য়াম্না ফবশু নত্তবা, অদুগা য়াম্না ফত্তবশু নত্তবা হায়ফম খঙদবা ফিভম অমদা লৈরি। ইং ২০০১ দা লাইরিক হৈবগী চাং ৭০.৫০% দা লৈরম্বা অদু ইং ২০১১ দদি শীংথাবা য়ানা ৭৯.৮৫% দা হেনগৎলে। নুপা লাইরিক হৈবগী চাং অসি ইং ২০১১ দা ৬% লোম হেনগৎতুনা ৪০.৩৩% য়ৌখ্রে অদুগা হায়রিবা মতম অসিদা নুপী লাইরিক হৈবগী চাংনা ১২.৬৪% হেন্না ৬০.৫৩% দা হেনগৎখ্রে। হকশেলগী মায়কৈদদি ক্রুদ বার্থ রেট (সি বি আর) অমসুং ক্রুদ দেথ রেট (সি দি আর) অনি অসি ইন্দিয়া পুম্বগী চাংচৎ মথংশিংনা ২২.১ অমসুং ৭.২ ওইবা মতমদা ষ্টেট অসিগীদি মথংশিংনা ১৪.৯ অমসুং ৪.২ ওইবা মরম্না খরা শাফরি, অদুগা অঙাং শিবগী চাং ইনফেন্ট মোর্টেলিটি রেট (আই এম আর) অসিনা অঙাং লিশিং অমগী মনুংদা ওল ইন্দিয়াগী ওইনা ৪৭ ওইবদা মণিপুরদদি ১৪ খক ওইরি।

ষ্টেট গভর্নমেন্টনা শেল-থুম অমসুং সার্ভিস সেক্টরবু খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎহন্নবগীদমক্তা অকক্নবা হীরম খরা মশক খঙদোক্লে। হীরমশিং অদুদি লন্মী থোংগী ফিভম ফগৎহনবা, মৈ অমসুং ঈশিং ফংবগী চাং হেনগৎহনবা, হেল্থ কেয়ার ফেসিলিটিশিংগী নেট্ৱার্ক পাকথোক চাউথোকহনবা অমসুং ষ্টেট শীনবা থুংনা হান্নদগী হেন্না ফবা স্কুলশিং লিংখৎপা অসিনি। ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা হেন্না ফংহনবা অমসুং স্পোর্টস চাওখৎহন্দুনা নহারোলশিংবু শেমগৎপা হায়রিবশিং অসিসু গভর্নমেন্টনা মীৎয়েং থম্লিবা চাওখৎ- থৌরাংশিং অদুদা য়াওরি হায়রি।

চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহনা কম্মিসনগী মফমদা ষ্টেট অসিনা পায়খৎলিবা চাওখৎ-থৌরাংগী শন্নপ্পা ৱারোল অমা পীরদুনা মপুঙ ওইনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অৱাৎপা হঙ্গহন্নবা অমসুং হেল্থ, এদুকেসন, নুপী-অঙাংগী য়াইফনবা হোৎনবা, মচি ওইবা চিঞ্জাক ফংহনবা অমসুং চঞ্জাক ৱাৎহন্দবা - হায়রিবা মরু ওইবা সোসিয়েল সেক্টরশিং অসি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। হীরম খুদিংমক্তা শোত্থনা লৈরিবা মণিপুরী প্রজাশিংবু লৈবাক অসিগী অতৈ প্রজাশিংগা থোং মান্নহনবগী তঙায়ফদবা অমা লৈরি হায়না মহাক্না অহলুৱালিয়াদা খঙহনখ্রে। অথাপ্পা বোর্দরগী এরিয়াশিংদা লৈরিবা লায়রবা প্রজাশিংদা কান্নবা ফংহনবা ঙম্নবগীদমক্তা শেল মতিক চানা থাদদুনা সোসিয়েল ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না চাউথোকহনবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না কম্মিসনদা থমখ্রে। ইন্দষ্ট্রি অমসুং সার্ভিস সেক্টরশিংদা দিমান্দ তৌবা হেনগৎলকপগী মতুংইন্না স্কিল দিভলপমেন্টকী থৌরাং পাক-চাউনা পায়খৎলগনি। চীংগী এরিয়াশিংদা অহেনবা শক্তি পীদুনা চাওখৎহন্নবগীদমক্তা ইনভেষ্টমেন্ট বার্ত্তন তৌনবা অনৌবা পোলিসিশিং পায়খৎলগনি হায়নসু সি এমনা অহলল্লুৱালিয়াদা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।